# লান পামজদ্রবসু লানগী মপাউতবু খৌরাংলকপা - 'সিবু কনাগী মরালনো?

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

লান, ঙসি ঙরাংখক্কী নত্তে, মথায় থায়নদগীনি। মীহাৎ-মীপূন থাঙ-তেন ইমু-নাইমু অমদি অতৈ-অতৈ য়েংহৈ-তাহৈদবা ঙাক্কি লান্দা থোকপসি। লান পান্বা মীগী মশীং পংয়াম য়াম্লম্মি থাজদে। মরু ওইনা নুপী ওইবীশিংদি শুংপান্থু পাল্লম্লোই। মখূৎতা খূৎলায় পায়দুনা লানবুং ময়ায়দা য়ান্ন-থিন্নবা য়াওরুদে হায়বৈ ৱাখল্লি, চৈথেং হেন্না ফংলিবদি মখোয়নি। লানঙম ফিরাল থেৎলবা কাঙবুগী লানফা ওইখিবীশিংগী ফীভমদো মীৎ উইশিল্লগা পাদম লাক্তুনা য়েংবদা তু-মান খ্যাও-খ্যাও চুংলিবনি। অসিগুম্লবা ওন্থোক্লা শাথীখ্রবা লানগী চৈথেংবু পামজদবা কিজবী ঈংনা-চিক্লা লৈজনীংবী লমদম অসিগী নুপীশিংদা কাইহৌবা মতাং হেক হেক লাকখ্রে। ঙসিসুনি তূমিন্না লৈশিনবা ঙম্লক্ত্রে, মীচং খোন্বা হৈবা শঙ্গ ৱাত্তবা কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা লেপ্পা লৈতনা তাশিল্লক্লিবা লান অসি খোঙ্গ্রাই চল্লগা ফৈ নীক্তুনা লৈবা য়ারক্ত্রে। লান ঙাকপা চৎলিবা মচা-মশুশিংদা ***লানঙম ফিরাল থেৎলগা হল্লকউ*** হায়না য়াইফ থৌজাল পীরক্লে। মমা ওইবী কয়ানা মচাশিং হল্লকপা ঙাইরি, লানগী মপাউতবু খৌরাংলি। পূম্নমকসি ফীভম্ননি, তাঞ্জাননি মণিপুর ইমাগীদমক্কি।

হন্দক কুকি মিলিটেন্টশিংনা চিৎহৌ-চিৎহৌ লুমকাপ কাপথবৈ মওংসি য়াম্না পেন্দে, খোয়দৌ শাওগৎলি। মখোয়গী মাঙ-তুং অনীমক্তা লেপ্পীনবা মী মশীং ৱাত্তে হায়বৈ মওং মানশিল্লকই। খল্লুগনু হায়বা য়াদে হন্দক থোক্লিবা থৌওং-থৌচৎসিগী মরমদা অসুম খন্দুনতা লৈ। ঐখোয় থৌনা হনবা য়াদবা মতাং ওইরক্লে। ঐখোয়দা লৈরিবা অপূনবগী ৱাখল্লোন অসিনা ঐখোয়গী পাঙ্গল ওইরি। কনাগুম্বনা মরৈবাক মজাতিবু শীংনরকপদা তূমিন্না খাঙজিন্দুনা লৈবা ঙম্বা কনা লৈরমগদগে? থৱায় ফাওবা কখোক্লরিবনি। ফীভম অদু য়ৌরকপা মতমদা লৈঙাক মপুশিংনা মীয়ামদা পাঙ্গল থৌনা হাপ্পীরকপা মতমদা লৈবাক মীয়াম্না শিবা কিদনা অরাকপা খুদিংমক লন্বা তৌরগে হায়না নোংশাগুম্না লান্থেংনবা ঙাক্তনি। ঐখোয়গী ওইনদি মদুমক্তি থোক্তবনা পূক্নিং নুংশিবনা লোইরে। মদুদগী হেন্দোক্তুনা খোয়রাং-খোয়শাওনবগী চাংসু লম য়ৌরে হায়বা য়াই। লানগী মতাংসিদি কখোকপা, থৌনা, থম্মোয় শেংবা হায়বসিনা খ্বাইদগী মরুনি।

ঙসিদগী চহী লিশীং অনী চামঙারোমগী মমাঙদা গ্রীকশিং অমদি পার্সিয়ানশিং অনীগী মরক্তা লান অমা শোক্লখি। মরাথোন তম্পাক্তা শোক্লখিবা লাননি। লান হৌরকখিবদু পার্সিয়ানশিংননি। সমুদ্রগী মশক ওইরবা পার্সিয়ান লান্মী মপৈদু এথেন্সতগী কিলোমিটর নীফুনিথোইখক্তমক লাপ্পা লৈবা মরাথোন তম্পাক্তা থুংলখি। হৌজিক হৌজিক ইমা-ইবেলশিংনা পেন্দবগী খোঙজং অমা হেক চঙশিনবগা আর এ এফ, অসাম রাইফলশিংনচিংবা মপৈ মপৈ পৈরিবসিদুম মাল্লমগনি। খেন্নবা হায়ববু মতমদুগীনা থাঙ-তা, হৌজিক্কীনা অফবা মখলগী নোংমৈ, টিয়র গ্যাস, মোক বোমনচিংবনি। নহান তোর্ব্বুং বাংলাগী থৌদোক্তুদদি ইলেক্ট্রিক্ট করেন্টকাসু শীজিন্নে হায়নখি।

পার্সিয়ান কম্মান্দরদুনা অসুম্না লাওথোকই হায় - ***ঐখোয়গা লান শোক্লগনি হায়দুনা চোংথোরকপা মরাল লৈবশিং অমদি লান য়াওদবা মরাল লঙজদবশিং ওইগেরা গ্রীকশিংবু ফারগা ঐখোয়গী মীনাই ওইহনগনি।***

অৱাং থংবা গ্রীস য়েক্লবনা খুদুম চনশিনখ্রে। গ্রীক সিটি ষ্টেটশিং অমত্তা ওইনা পূনশিনদুনা লানশীংনদুনা লৈখ্রে। লেপ্তুনা চঙশিল্লকখিবা পার্সিয়ান লান্মীশিংবু তকথোকখিনবা স্পার্টান নিংথৌ লিওনিদাজগী লান্মীশিংনা লন্বীদা পন ঙাক্তুনা লৈরম্মী। পার্সিয়ান লান্মী খরা পাউমী ওইনা য়ৌরকখি। য়াম্না উশিৎ থওইদবগী মওংদা পার্সিয়ান লান্মী অমগা লিওনিদাজগা অসুম্না ঙাঙনখি -***লিওনিদাজ! অরেন্বদা মতম অমদি থৱায় মাঙহনগনু। খূৎলায় থাদোক্তুনা চঙজরকপনা হেন্না অফবা ওইগনি।***

অদুবু লিওনিদাজনা থৌনা ফনা পাউখুম পীখি - ***নথৌনা নতীং লৈরবদি লানফম ময়ায়দা পাঙ্গল চাংয়েংনসি। নখোয়না ঙম্লবদি পূম্নমক লৌজখো।***

মতমদুদা পার্সিয়ান লান্মী অমনা অসুম্না কিহল্লকখি- ***ঐখোয়গী থাঙ-তা, তেনশিং অসিনা নখোয়বু অমম্বা ঈপাক্তা ঈরাক্লহল্লগনি। নুমিৎকী মঙালদু নখোয়না উবা শুংফং ফংলরোই।***

মদুদা মথৌনা লৈরবা গ্রীক লান্মী অমনা অসুম্না খুম্লকখি - ***অমম্বদুদা লান্থেংনদুনা ঐখোয়না নখোয়বু মায়থীবা পীগনি।***

অসুম্না লান শোক্লখি, গ্রীকশিংনা য়েক্লবশিংবু তকথোকখ্রবনি। অদুবু অঙকপনি গ্রীক অঙম অথৌ মরক্তসু ফমখক্তবু মিকাবা নমথাক তৌবা অদুম্মক য়াওরম্মী। মখোয়গী থৌইনশিন্দগী লান্মী অমনা অরোনবা লন্বী তাকপদগী অহিং নোংয়াই চবুক্তা গ্রীক লান্মীশিংবু কোয়শিল্লকখি। কাইনথংদা লিওনিদাজগা লোয়ননা স্পার্টান লান্মী চহুম য়েক্লবগী মখূত্তা তাখি। অদুবু অতোপ্পা লান্মীশিংদি নান্থোকখি। অসুম্না ময়ায় থংবা গ্রীসসু পার্সিয়ানশিংনা খুদুম চনশিনখ্রে। অসুম অসুম তকশিল্লকখিবা পার্সিয়ানশিংবু মরাথোন তম্পাক্তা শোক্লখিবা লান্দা এথেনিয়ানশিংনা মায়থীবা পীখি। খূৎশু খূৎলায়, লান্মী মশীং য়েংনরুরবদি পার্সিয়ানশিংনা এথেনিয়ানশিংদগী অদুক্কী মতিক হেল্লি হায়। অদুবু এথনিয়ান কম্মান্দর মিলট্যাদজকী হৈ-শিংনা শীল্লকপা লাল্লোংনা মায় পাক্লবগী মরম ওইখিবনি। গ্রীক লান্মীশিংবু খূরক হাঙদবমখৈ কৃক-কৃক ইন্ননা ফক্লাং শানা থল্লম্মী। অখন্নবা ফোর্সশিংনা নাকল ওই-য়েত্তা লৈহল্লম্মী। মশীং হন্থরবসু গ্রীকশিংগী লেঙদ্রবা ৱাশক অমনা মখোয়দা থৌনা পাঙ্গল হাপ্লম্মী। গ্রীকশিংগী মমা ওইবীশিং, লোয়নবীশিং, মচা-মনাও-মশুশিং কন্নবগীদমক য়েক্লবগা লান্থেংনগনি হায়বসিনা মখোয়গী লেঙদ্রবা ৱাশকনি। লান মায় পাকপগী পাউ এথেন্সকী মীয়ামদা খঙহন্নীংবনা মরম ওইরগা মরাথোন লানবুংদগী এথেন্স তম্না কিলোমিটর নিফুনিথোই শাংবা লন্বী অদুদা এথেনিয়ান লান্মী অমনা মখোঙনা লৈজবী থাদুনা চেল্লকখি। ***নুংঙাইরো নুংঙাইরো এথেনিয়ান পূম্নমক! ঐখোয়না লান ঙম্লে!*** অসুম্না পাউদম্লম্বা মহাক্তি খুদক্তা অথৌবা ওইখি। মহাক্লা মরৈবাকপু নুংশিজবা কখোকপা ঙম্বগী মতিক মথৌনাবু নীংশিংদুনা কিলোমিটর নিফুনিথোইগী মরাথোন লমজেল হৌদোকখিবনি হায়নৈ।

হৌজিক্তি হায়নীংলক্লে অসুম্না - ***ইমা লৈবাক মণিপুরবু কন্দবা য়াদে হায়না চোংথোকপীরক্লিবা ষ্টেট সিক্যুরিটি ফোর্স, লান ঙাক্লিবা খুঞ্জাশিং, মফম-মফম খুদিংদা পনঙাক্লিবা-পনঙাক্লিবী পূম্নমক পূক্নিং শোন্থবীরনু। ঐখোয়গী মীচংদি থৌনা অমদি তাইবঙ মপুনি।●***

# সনামহী লাইনীং অমসুং য়ূম মৈ থাবা

-মুতুম গৌরহরি -

সনামহী হায়রিবসি 'সন্ন-মহি'' হায়বনি। সনামহী লাইশোন্দা ''ফুহিং সন্না পিবারেল'' হায়না শোল্লিবদুনি। পি-পা অনী চায়নরগা তাইবঙপান সল্লি হায়বগীদমক সনামহী কৌরিবনি। পোকপা-শিবা নাইরিবা থৱায় পানবা খুদিংমক তাইবঙ মীওইবা পূম্নমক মহাক্লা শেম্মী হায়বগীদমক য়ূমগী শন্থোঙ মায়কৈ থংবা ইমুংদা সনামহীগী খুভম য়াদুনা ঈরাৎনৈ। ইমুংদা লৈরগনা সনামহী হায়গনি। শেম্বা শাবা পোকপগী থবক তৌই। মপান্দা থোকখ্রগা সন্থোঙ অপানবা কৌই। সন্থোঙ, সনামহীগী থোঙবু সন্নথোঙ ''সন্থোঙ'' কৌই। সনথোঙ অপানবদি অশিবগী থবক তৌবনিনা মমিং 'অশিবসু' কৌই। ইমুং মনুংদা অশি-অনা থোক্তনবগীদমক য়ূমগী সন্থোংদা সন্থোঙ অপানবা খুরুমনৈ। হিন্দুনা শুমাংদা সনি পুজা তৌনৈ।

য়ূমশারোনগী মতুংইন্না য়ূম হায়বসি তেংপান মপু সলাইরেন শিদবগী কয়াৎলোন অদুমক লৌরগা শাবনি। মরম অদুনা য়ূম শাবা হৌরকপদা সলাইরেন শিদববু কৌথরগা উরেপ উয়ুং তল্লিবা (যত্রা হুল্লিবা) অদুনি। য়ূমগী অৱাং থংবদা সলাইরেন শিদবা খুভমগী হেক নাকলদা ইমা-ইবেন্মা লৈমরেলগী খুভম কা অমা লৈগনি। ইমুংলোম থংবা সন্থোঙ কাচিন্দা মচা-ইবুংঙো সনামহীগী খুভম কা ওইগনি। সনামহী লাইনিংথৌনা ইমুংদা লৈরিবা মখৈদি মী পোকপা, মী শেম্বগী থবকসু তৌগনি। মমিং অপোকপসু কৌগনি। অঙাং পোক্লবগীদমক লুহোংবদা অপোক-অশা তমদুনা থৌনিরিবনি। অঙাং পোক্লবগী, অঙাং শানবগীদমক অপোক অশা হায়রিবনি। শলাইরেন শিদবগী মচাইবুংঙো অহল ওইবনিনা সনামহীবু পারি অহালবা হায়নসু কৌই। সনামহীনা ইমুংদগী মপান হেক থোক্লকপদা মমিং সন্থোঙ অপানবা কৌদুনা অশিবগী থবকসু তৌই, মথক্তা পঞ্জখ্রে।

ইমা লৈমরেল শিদবীগী লাংওন খুভমশিংদি, য়ূমগী য়ূময়াই লৈমরেলগী কা মপাদা ফুঙ্গা (ফুঙান) লৈগনি। মঙাং, লুৱাং, খুমনগী চুক অহুম লৈগনি। নোংচুপ মনীং থংবদা ইমাগী লাংওন ওইরিবী ইমোইনু (ইম-ওই-নু নৎত্রগা য়ূম-ওই-নু) লৈগনি। তাইবঙগীদি খ্বাইদগী লুবা লাইনি হায়বগীদমক ফুঙ্গা লাইরু কৌই। ফুঙ্গাদা তাইবঙগী থৌৱাই ওইরিবা তরা চেঙজেল ফুৎফম, থোংফম ওইরিবনি। করিগুম্বা চাকশউ নাইদুনা চাকশউদা থোংবা তারবদি কৌব্রু লাইজিদা ফুহৌফম/চাকথোংফম ওইরগা ফুঙ্গাদগী মৈ লৌদুনা থোংগনি। মখা থংবদা কৈ (কোট) থমদুনা কৈরুংবগী মশাইকোন্দা ফৌওইবী লাংওন তৌদুনা লৈ।

অসুক য়াম্বা য়ূমগী মনুংদা লৈরিবা মৈতৈগী লূরবা লাইফমশিং অসিগীদমক নুংতি খুদিংগী মতম অহুম্মক্তা (মঙাং, লুৱাং, খুমন) ঈরাৎ ঈশোন তৌদুনা খুরুমজরিবা নুপী ওইবীশিংনা মৱা-মপুরোইবগীদমক, মচা-মশুশিংগীদমক থৌনিফম ওইরিবা শেংলবা ইয়ুম লাইশঙনি। ইয়ুম লাইশঙবু কনাগুম্বনা ঈম নৎত্রগা য়ূম হায়না কৌনৈ। তেংবান মপুগী ঈবু য়োমদুনা থম্বা মহুম অদুবু ঈম কৌই। 'ঈ' হায়বদি ঈপা, ঈমা, ইচা, ঈশু, ইমৌ, ঈয়াম্বা, ঈনাও পূম্নমক য়োমদুনা থম্বা মহুম অদুবু ঈয়োম নৎত্রগা য়ূম হায়না খঙনরে। মরম অদুনা য়ূম হায়বসি মীতৈশিংগীদমক্তদি লিক্লাই মহিগুম শেংলবা লাইশঙনি।

মালেমদা খুন্দারিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কাঙলূপশিংনা লাইশঙবু মাগী মাগী মরোলদা মমিং থোন্নৈ। খুদম ওইনা খৃষ্টিয়ানশিংনা চর্চ, মুসলমানশিংনা মসজিদ, হিন্দুশিংনা মন্দির, শিখশিংনা গুরুদ্বারা, বুদ্ধিষ্টকীনা চাইনিজশিংগীনা পেগোদা, জিয়ুশিংগীনা শিনাগোক অসুম্না মীতৈগী লাইশঙনা 'য়ূম' কৌই। মীতৈশিং য়ূম্লাই অমদি লমলাই কৌবা মপা-মপুবু খুরুম্বগী লাই মখল অনীখক লাৎলি। য়ূমগী মনুংদা য়ূমলাইশিং লৈ অদুগা লৈকু লৈরাই, লৈখুন, চীং অমসুং উমং-ৱামংদা লমলাইশিং লৈ। হায়রিবা লমলাইশিং অসি উমংলাই হায়না কৌবদগী চহীগী ওইনা হরাওবগী থৌরম পাঙথোক্লে। কৌব্রু, থাংজিং, নোংমাইজিং চীংদোন্দা লৈরিবা লৈখুন (শুরুং) ইপা-ইপুশিংগী ময়ূম ওইরম্মী হায়দুনা খুরুম্বা চৎনৈ। শারোই-ঙারোই ওইনা লৈরম্মী হায়বগীদমক লমতা থাংজদা চাকথা পীদুনা খুরুম্নরি। লোয়ননা লাই হরাওবদসু শারোই খাঙবগী থৌরম পাঙথোক্লরি। লুহোংবদা য়ূম্লাই লমলাই অনীমক্কী অথেনপোৎ তমদুনা পুনরি।

সনামহী লাইনিংগা চপ মান্নবা লাইনিংদি জপানিজশিংগী লাইনিং সিন্তোইজমনি। মখোয়সু মপা-মপু অমসুং অপোকপা খুরুম্বা, উমং-ৱামং, নুমিৎ-থা খুরুম্বগী থবক চপ চানা পাঙথোকই। উমং-ৱামং অমদি য়ূম অসি লাইশঙনি হায়দুনা জপানিজশিংনা মৈ থানদে। শা-ঙা, উচেক-ৱায়া পূম্নমক ঐখোয় উমংদগী হৌমিন্নরকখিবনি হায়দুনা হাৎনদে, চানদে। মীতৈগীসু নিংথৌ পাল্লিবঁে মনুংদদি লাংমৈ থাবা, য়ূম মৈ থাবনচিংবা তৌবা য়াহল্লমদে। উচেক-ৱায়াসু হাৎলমদে।

ঐখোয়না উরে মদুদি ঙসি ফাওবদা কুকিনা মীতৈগী য়ূম লিশীং অহুম হেন্না মৈ থাখ্রে। অশেংবদি মীতৈ লাইশঙ লিশীং অহুম মৈ থারে হায়বনি। মসিগী মথক্তা উমংলাইগী শঙলেন কুন্থ্রামাথোই তোঙান্না য়াওরি। মীতৈনা চর্চ অমত্তা মৈ থাখিদে। কুকিনা মীতৈ খুল মৈ থাবদা মীতৈ খৃষ্টিয়ান চৎপশিংগী চর্চ ২০০ হেন্না মৈ চাকখি। মীতৈদা তাইননবগীদমক্তা কুকিশিংনা মশাগী চর্চ খরসু মৈ থাদোক্লম্লগা চৎখি। মীতৈদা শিরিবা মরালশিং অসিগী মথক্তা মীতৈ ঐখোয়মক্লা মোব জষ্টিসকী মিংদা ইশামক্কী ইয়ুম লাইশঙবু ইশামক্লা মৈ থাদোকপসিবু কদায় ফাওবা চুম্বগে?

চুড়াচান্দপুর, চুড়াচান্দ মহারাজগী মমিংনি হায়বসি কুকিশিংনা খঙই। দিষ্ট্রিক্ট অসিদা মীতৈ খুল কয়ামুক লৈরম্মী। কুমজা ১৮২৬তা খোংচাই খরা বর্ম্মদেশতগী চঙলকখিবা অদু নরসিংহ মহারাজনা অয়াবা পীদুনা খুন্দাহনখি। মসিগী মতুংদা অনৌবা চঙলকখিবা বর্ম্মীজশিং অদু কুকি হায়না খঙনখ্রে। মখোয় মণিপুরগী সিটিজেন চিংদে, ফোরেন্নরনি। চুড়াচান্দপুর চুরাচান্দ মহারাজগী মমিংদা থোনবা পানা (দিষ্ট্রিক্ট) অমনি। মমিং হোংবা য়ারোই। কাংপোকপী কাংবা নিংথৌগী পোকফমনি। সেনাপতিদগী হৌরগা কৌব্রু চীংশাং পরেংদা লাক্তুনা চুড়াচান্দপুরগী অরোইবা ঙমখৈ ফাওবা কাংবগী লৈবাকনি। কাংবগী শাগৈনা খৃ: ৩৩ নোংদা লাইরেন পাখঙবনা পানবা ফাওবদা চহী লিশীং ২০ পাল্লমই। কাংবগী মচা ৯ পোকই। মাপনগী মনুংদা ৮দি মায়কৈ নিপানমক্তা তোঙান তোঙান চৎনখিদুনা মায়কৈ কয়ামুক্তা খুন্দানখ্রগা য়ংমাগী মনাওনুপা তৈমানা মীতৈ ওইদুনা মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ওইখি। কৌব্রু চীংদোন্দা ইহান হান্না কোনুং ওইদুনা কাংবনা পানখি। মথংদা কাংঙপুংদা পানখি। তম্পাক লমদি ঈশিংনা ইরং-ঈপাক (সমুদ্র) ওইনা লৈখিবদগী মী তাবা য়ারমদে। খুনুং চককী অরোইবদা কংলাতোংবীদা কংলা ওইদুনা পানখি। মরম অসিনা চুড়াচান্দপুরদগী কাংপোকপী ফাওবা মৈতৈ নিংথৌশিংগী হৌফম পোকফম অমদি কোনুং ওইনা পান্দুনা লাক্লিবা মফম অসিবু মীরম মচা (ফোরেন্নর) কুকিগী লমনি করম্না হায়গদৌরিবনো?

ঐখোয় ইন্দিয়াগী মনুংদা মশীং খজিক্তমক খুন্দাজবা মাইক্রো মাইনোরিটি, কনানসু উশিৎপীদ্রবা কাঙলূপ ওইরে। পাখঙবগী মচা-মশু, সনামহী লাইনীংনা তাক্লিবদি মখোয়গী 'য়ূম' ইয়ুম, মীমহুম, মী মকোন নৎতে। তেংবান মপু, থৌৱাইপানবা পূম্নমকপু শেম্বীরিবা মচা ইবুংঙো সনামহী অমদি মমা ইবেম্মা লৈমরেল শিদবী লোয়ননা মপা ইবুংঙো সলাইরেন শিদবা অহুম্মক্কী কোনুং সঙ্গায়নি হায়বসি মথক্তা নৈনরিবা শন্নপ্পা অসিদগী খঙবীয়ু। ইশানা ইশাগী ইয়ুম লাইশঙ মৈ থাহৈদে, য়োৎ-থাঙ পায়দুনা শিদোকহৈদে। মীতোপ কুকিনা মৈ থাবদি লায়রদুনা লাইমীং লৌদনা চঙবা শোকপা য়াদে। অনীমক অৱা-মিকপ, মীশি-মীনা নংমিন্নগনি। অদুবু কুকিগী য়ূমদি লাইশঙ নত্তবনিনা করিসু কায়দে। মসিদা বাইবল অমসুং কুরানগী পাউতাক-ৱারোল অমা পনবা য়াই। ''ঈংথবা, তপথবা পুরক্কে হায়রবদি শৈতানশিংদু তাম্থোকউ, য়াদ্রগা তুম্না হাৎলু''।●

## এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাও, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

### চুড়াচান্দপুরগী মীতৈ লৈকায় অমদি তোর্ব্বুং বাংলাদা য়ূম্ফম তেমথোকপা জে সী বিশিং ফাগৎপীয়ু

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

অহানবা ওইনা মীতৈ লৈকায় চুড়াচান্দপুরগী য়ূম তুম্না মৈ থাখ্রবা তুংদা জে সী বিনা তেমথোকখ্রে। অনীরকশুবদা তোর্ব্বুং বাংলাদা অমুক য়ূম কয়া মৈ থারবা মতুং জে সী বিনা তেমখাইখ্রে হায়রি। অসুক তমথীরবা থৌদোক, থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইরবা ৱাফম অসিবু সেন্ট্রেল ফোর্স অমদি ষ্টেট ফোর্স অনীনা ফাগৎপা ঙমদ্রিবা করিগীনো? মীতৈনা তৌরম্বা ওইরবদি অরানবা তৌবদি লায়রদনা মনাক্তা লৈবা ফাওবা ফাজিন পুনশিনবগী থবক চত্থরক্লোইদবগী মরম লৈতে।

থা অহুম হেঞ্জিল্লক্লবা লানসিদা হৌবদগী অরানবা খক্তা তৌরিবা কুকিশিংবু করিগী ফাদ্রিবনো? কুকিনা ঐখোয়গী ইরমদমসিদা তৌনীংবতা তৌদুনা মীতৈ মীয়াম্বু তুম্না হাৎলগা লোইশিল্লগে হায়না চত্থরক্লিবা থৌরাং অসিবু অসুম য়েংদুনা লৈবা হৌনব্রা?

কাঙলূপ অনীমক চপ মান্নবা মীৎয়েংদা থম্বীয়ু। কুকিশিংনা জে সী বিনা তেমখায়রিবা অসিগুম্বা ঐখোয়গী ইম্ফাল এরিয়াদা লৈরিবা কুকিগা পূন্না তারিবা লৈকায় অসি তেমথোকপদা ফোর্সনা য়েংদুনা অসুম লৈগদ্রা? মীতৈ ঐখোয়গীসু জে সী বি মেছিন মরাং কায়না লৈ। শেম্বা শাবা হৈবা মীসু য়াম্না লৈ। হায়রিবা মখোয়গী য়ূম্ফমশিং তেমখায়রগা ঐখোয়গী মীতৈগী অশিবা হকচাংশিং পোৎলোইবা য়াগদ্রা?

অমরোমদা, ম্যান্মার মচা শিরগা ইন্দিয়াদা ফুমগে হায়রিবসি করিগীনো? ইন্দিয়া মচানা শিরগা ম্যান্মারদা ফুমগে হায়বা য়াগদ্রা? মিজোরামগী চীফ মিনিষ্টর জোরাম থাঙ্গানা য়াম্না নুংশিনা চঙজফম পীদুনা লৈহনখিবনি। মরম অদুনা মিজোরামদা শুরুং ফজবা মমিং য়াম্না চৎপা মরি লৈবনি। শুরুং মরিগী মমিং অদুদি ১) শিলুং (২) শুল (৩) চিংনুঙৱাই অমসুং (৪) গোলটিনি। মফমসিদা ম্যান্মার মচাগী অমদি কুকিশিংগী অশিবা হকচাং ফুমদুনা ফজবা সিমিত্রি শেমগৎপীবনা খ্বাইদগী অফবা ওইগনি হায়বা ৱাফমসি থমজরি।

**অদোমগী - মুতুম শান্তি**
শগোলবন্দ

### ''ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ফিরেপ অথুবা মতমগী মনুংদা মণিপুর মীয়ামদা খঙহনবীয়ু''

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

হৌজিক মণিপুরগী ফীভম অসি য়াম্না অরুবা অমা ওইরক্লি, মপান লমদগী চঙশিল্লক্লিবা চিন-কুকি মিলিটেন্টশিংগা জো ফুরুপশিংগা পূল্লগা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা লৈরিবা মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপশিংগী মনুংদা মরু ওইনা মণিপুর অমদি ইন্দিয়াগী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই হায়দুনা লেপ্লিবা মীতৈ ফুরুপশিংদা লান্দাশিল্লক্লিবা অসি মীতৈ/মৈতৈ অমদি কুকি ফুরুপ অনীগী লানফম ওইরক্ত্রে হায়বসি মণিপুর অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক অনীনা ইফোং ফোংনা খঙলবা ফাওবদা তূমিন্না লৈশিল্লিবা অসি অফবা খক ওইরক্লোই।

ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুর মচেৎ তানা কায়নবা হোৎনরে হায়বসিসু হায়দবা ঙম্লোই অদুবু মণিপুর কায়বা য়ারোই হায়না লেপ্লিবা মীতৈ/মৈতৈশিংনা, মণিপুর কায়রকপা মতমদা তূমিন্না খক লৈথোক্লোই। লোয়ননা ইন্দিয়াদগী নোর্থ ইষ্ট মচেৎ তারক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে হায়বসিমসু ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মাঙজৌননা খঙবীবা মথৌ তাই। ফোরেন্নর চিন-কুকি-নার্কো-টেররিষ্টশিংগী অশিবা হকচাংশিং ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা লৈরিবা মণিপুরগী লৈমায়দা লৈরোন চনবা (ফূম্বা) হায়বসি ইন্টরনেসনল লোদা চৎনব্রা হায়বসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মালেম খঙনা পাউখুম পীবা মথৌ তারক্লি।

হৌজিক মণিপুরদা থোক্লিবা লান অসি প্রেস মীদিয়াগী খুত্থাংদগী ফোঙদোক্লরক্লিবা ইন্টিলিজেন্ট সোর্স অমদগী চাইনা অমদি পাকিষ্টানগী খূৎ য়াওরে হায়নরক্লিবা অসিনা চুম্লবদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টবুদি ফেল ওইরে হায়না ইন্দিয়াগী এম পি (মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট) ময়াম অমদি ইন্টিলেকচুএলশিংনা হায়রে অদু ওইরবদি ইন্দিয়া লৈঙাক হৌজিক ফাওবা কৈদৌদুনা লৈরিবগে হায়জনীংই।

মণিপুর কায়নবা শিল্লিঙৈদা ইন্দিয়া কায়রক্লবদি কমদৌবা? অদুগা অমরোমদনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ইন্দিয়াগী সিটিজনশিংদা লেম্না পীরিবা চেঙশিং চিন-কুকি-নার্কো টেররিষ্টশিংগী দ্রগতগী কারকপা শেনফমশিংনা পীরবরা হায়বা ৱাহং ফাওবা ওইরক্লি। ওইরক্লিবা ৱাহং অসিমক মীতৈ/মৈতৈ অমদি চিন-কুকি-নার্কো টেররিষ্ট অনীগী মরক্তা থোক্লিবা লানসিগা মরী লৈননা ইকায়খুম্নজরবা প্রাইম মিনিষ্টরনা হৌজিক হৌজিক চত্থরিবা পার্লিয়ামেন্ট মীফমদা ফোঙদোকপীয়ু নৎত্রগনা ইম্মিগ্রেন্ট চিন-কুকি-নার্কো টেররিষ্ট অমদি সুদা লৈরিবা কুকি টেররিষ্টশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎহৌদ্রবদি মণিপুর নৎত্রগা ইন্দিয়া নোংমদি শোয়দনা মচেৎ তানা কায়রক্কনি। মশাগী হোমলেন্দ লৈতবা চিন-কুকি অমদি মখোয়গা মান্নবা ফুরুপ্তুগী ঐখোয় ইন্দিয়ানশিং চেকশিলহৌসি।

**অদোমগী - বি কে মঙাং**
লিলোং ইম্ফাল ৱেষ্ট

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭১

১) **''লাই হরাউবগী ৱাখল্লোন পরীং''** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?
২) **''খুদোল্লে''** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?
৩) **''ৱাধরিং হাইটস''** হায়বা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অইবা অদু কনানো অমদি মণিপুরীদা কনানা ট্রান্সলেসন তৌবগে?
৪) **''লাইয়েকপা/য়েকলি লাইয়েকপা কনানা/মাগী মাগী কেনভাষ্টা/ফজ ফজবা লাইয়েক/ঐসু য়েক্কে কেনভাসসিদা/নীংতম্বা ইমাগী শক্তম/শান্তিতবু পামজবা ঐনি''** শৈরেং মতেক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী শৈরেং লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি, অইবা অসি কনানো অমসুং মহাক্কী শৈরেং লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?
৫) **''অশিবা হুরানবা''** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।